# গুজরাটকী খোঙচৎতা লৈরিবা প্রাইম মিনিষ্টরনা অন্তিওদয়া এক্সপ্রেস লমথাখ্রে




অহমেদবাদ, ওক্টোবর ০৮ (এজেন্সী):
নুমিৎ নীনিগী গুজরাট খোঙচৎতা লাকখিবা প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা ঙসি মহাক্কী পোক্লফম লমদম বদনগরদা চত্তুনা মেদিকেল কোলেজ অমা শঙ্গাখিবগা লোয়ননা মহাক্না তন্নম্বা স্কুলগী ফীভম য়েংশিনখ্রে।

মীয়াম তিনবা থৌরম অমদা ৱা ঙাঙখিবদা প্রাইম মিনিষ্টরনা হায়খি, মশীং য়াম্লবা মীয়াম থোরক্তুনা তরাম্না ওক্লম্বগীদমক থাগৎপা ফোঙদোকখি।

এনিমেল হজবেন্দরিগী লমদা খুমাঙ চাউশিনবা ঙম্বদগী গুজরাটতা লৌমীশিংনা কান্নবা কয়ামরুম ফংবা ঙম্লে। অথুবা মতমদা পাসু অরোগ্যা মেলা পাঙথোক্লবা য়ু পিগী চীফ মিনিষ্টর যোগি অদিত্যনাথদা খঙহনবা লৈখ্রে। থৌরাং অদুনা লৌমীশিংদা অমুক্কা হেন্না কান্নবা ফংহল্লগনি।

নৌনা লমথাখিবা অন্তিওদয়া এক্সপ্রেস লমথাবগী থৌরমদা মহাক্না হায়খি, অনৌবা ট্রেন অসিনা উত্তর প্রদেশ অমসুং বিহারগী মীওইশিং অরাইবা মওংদা ময়ুম ময়ুমদা চত্তুনা ছাথ পুজা য়াওবদা খুদোং চাহল্লগনি। রেল মিনিষ্ট্রিনা লৌখৎলক্লিবা শীংথানিংঙাই ওইরবা অন্তিওদয়া এক্সপ্রেসকী মতেংনা য়ু পি অমদি বিহারগী মীওইশিং ময়ুমদগী লাপ্পা থবক শুবা চৎপদা খুদোংচাবা ফংহল্লগনি। মীয়ামগী খুদোংচানবগীদমক অনৌবা ট্রেন সার্বিস অমা লৈহল্লকপগীদমক রেলৱে মিনিষ্ট্রিবু মীয়াম্না থাগৎফম থোকই।

অমরোমদা, প্রাইম মিনিষ্টরনা নর্মাদা তুরেল মথক্তা ভাদভুত বেরেজ শানবগী উরেপ-উয়ুং তমখি।

ডোক্টরশিংনা হেল্থ সেক্টর ফগৎহন্নবগী মতাংদা মরুওইবা থৌদাং লৌফম থোকই হায়না পল্লদুনা মহাক্না হায়খি, ডোক্টর খক্তনা মীয়াম্বু মশা-মউ ফহনবা ঙম্লোই। অফবা চীঞ্জাক চাবখক্তনসু হকচাং ফগদবা নত্তে। হকচাং ফনা লৈনবগীদমক লু-নানবা তঙাইফদে। ৱাফম অসিদা অখন্নবা মীৎয়েং থম্লগা হৌদোকখিবা স্বাছতা অভিয়ানদা লৈবাক্কী মীপুম খূদিংমক্না মরুওইবা থৌদাং লৌফম থোকই।

এন দি এ গভর্ণমেন্টনা হকশেলগী লমদা লৌখৎলিবা থৌরাংশিংগী মতাংদা প্রাইম মিনিষ্টরনা হায়খি, লায়রবা মীয়ামগীদমক খল্লগা লায়েংবদা শেল কা হেন্না চঙহন্দনবা থৌরাং কয়া লৌখৎলে। মমাঙদা পল্লম্বা য়ু পি এ গভর্ণমেন্টনা মশক থোকপা হেল্থ ক্যের পোলিসি লৌখৎলমদবা তারবসু প্রাইম মিনিষ্টর অতল বিহারী বাজপায়ীগী মতমদা ইন্দিয়াগী মপুং ফাবা হেল্থ পোলিসি অমা শেল্লমখি।

ভাদনগরগী মীয়ামদা মিসন ইন্দ্রধনুস মায় পাকহন্নবা আপিল তৌরদুনা প্রাইম মিনিষ্টরনা হায়খি, অর্বান এরিয়া অমদি ইম্ম্যুনাইজেসনগী থৌরাং মপুং ফানা য়ৌহনবা ঙমদবা মফমশিংদা অখন্নবা মীৎয়েং থম্লগা মিসন ইন্দ্রধনুস হৌদোকখিবনি।

থৌরাং অসিগী মখাদা লৈবাক্কী মফম পূম্নমক্তা ইম্ম্যুনাইজেসনগী থৌরাং মপুং ফানা পায়খৎপা ঙম্লগনি। অথুবা মতমদা মিসন ইন্তেন্সিফাই ইন্দ্রধনুস কৌবা ইম্ম্যুনাইজেসন অমা হৌদোক্লগনি হায়নসু প্রাইম মিনিষ্টরনা মীয়ামদা ফোঙদোকখি।

# ইন্দিয়ন রেলৱেজনা ভী আই পি কলচর মপুং ফানা মুখৎনবা থৌরাং লৌখৎলে




ন্যু দিল্লি, ওক্টোবর ০৮ (এজেন্সী):
রেলৱে মিনিষ্ট্রিনা ভী আই পি কলচর মুখৎনবা মরী লৈনবা সিনিয়র ওফিসলশিংদা খঙহনখ্রে। রেলৱে বোর্দকী চ্যেরমেন অমসুং অতৈ বোর্দকী মেম্বরশিং লাকপা মতমদা জেনরেল মেনেজরশিংনা তঙাইফদনা তরাম্না ওকপগী চহী ৩৬ শুরবা প্রোটোকোল অমা খুদক্তা লেপহনগদবনি হায়না মিনিষ্ট্রিনা খঙহনখ্রে।

সেপ্টেম্বর ২৮দা থোকখিবা নোটিফিকেসন অমদা মিনিষ্ট্রিনা হায়খি মদুদি, রেলৱে বোর্দকী চ্যেরমেন অমসুং অতৈ বোর্দকী মেম্বরশিংনা এয়রপোর্ট অমসুং রেলৱে ষ্টেসন্দা লাকপা মতমদা তঙাইফদনা ঙাক্লম্বা প্রোটোকোল খুদক্তা লেপহনগদবনি।

কনাগুম্বা ওফিসল অমত্তদা বুকে অমদি খুদোলপোৎ পীবা য়ারোই হায়নসু রেলৱে বোর্দকী চ্যেরমেন অস্বনি লোহানিনা ফোঙদোকখি। সিনিয়র ওফিসলশিংগী ওফিস খক্তদা নত্তনা ময়ুমদসু হায়রিবা থৌওং অসি চথবা য়ারোই হায়রি।

অমরোমদা, রেলৱেগী সিনিয়র ওফিসলশিংনা ময়ুমগী থবক ইনখাংদা শীজিন্নরিবা ট্রেকমেন ৩০,০০০ খুদক্তা থাদোরকপগা লোয়ননা ওফিসকী থবক থৌরমদা মায় ওনশিলহনগদবনি হায়রি।

রেলৱে মিনিষ্টর পিয়ুস গোয়েলনা হায়খি, সিনিয়র ওফিসলশিংনা চথোক চৎশিন তৌবদা এগজিক্যুটিব ক্লাসতা তোংবগী মহুত্তা ইচম চম্বা স্লিপর অমদি এ সী থ্রি-টায়র ক্লাসতা অতৈ পেসেঞ্জরশিংগা লোয়ননা তোংমিন্নগদবনি। হায়রিবা থৌওং অসি রেলৱে বোর্দকী মেম্বরশিং, রেলৱে জোনশিংগী জেনরেল মেনেজর পূম্নমক অমসুং দিভিজন ৫০গী দিভিজনেল রেলৱে মেনেজরশিংনা ঙাকপা মথৌ তাই হায়রি।

অখন্নবা মীওই খরগী ৱাখলদা ফাওরিবা ভী আই পি কলচর লৌথোক্লবগী পান্দমদা গভর্ণমেন্টনা রেদ বিকন শীজিন্নবা থিংনবগী ফিরেপ লৌখিবনি হায়না প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা ফোঙদোকপা লৈখ্রে।

মহাক্না হায়খি, লৈবাক অসিদা ভী আই পি হায়বা ৱাহৈ অসি মুথৎলগা ঈ পি আইনা মহুৎ শীনগদবনি। ঈ পি আই হায়বদি এভরি পার্সন ইজ ইম্পোর্টেন্ট হায়বনি।

সেন্টরনা রেদ বিকন শীজিন্নবা থিংনবগী ফিরেপ লৌগদবা নোংমা ৱাৎলিঙৈদা প্রাইম মিনিষ্টরনা লৈবাক অসিদা খুন্দারিবা মীওই ক্রোর ১২৫মক মগুণ লৈবা অমসুং মরুওইবা মীওই ঙাক্তনি হায়না ফোঙদোকখি।

রেদ বিকনগী মতাংদা মহাক্না হায়খি, রেদ বিকনবু ভী আই পি কলচরগী সিম্বল অমা ওইনা লৌনবগা লোয়ননা মীওই খরনা থৌওং অসিগী খুদোংচাবা লৌনবা হোৎনরি। গাড়ী মথক্তা খিনবা রেদ বিকননা মরম ওইরগা গাড়ী অদুদা তোংলিবা মীওইশিংনা চাউথোকচবগী ৱাখল চেনবা মরম্না লৈবাক অসিদা ভী আই পি কলচর লৈরকখিবনি।

রেদ বিকন শীজিন্নবা য়াদ্রে হায়রবসু মীয়ামগী ৱাখলদা পকশিন্দুনা লৈহৌরবা ভী আই পি কলচরদি খুদক্তা হেক মুথৎপা ঙম্লোই। অদুম ওইনমক মকোক থোংবা লূচিংবশিংনা মীচম মীয়ামগা খুৎশম্ননা হোৎনরবদি ভী আই পি কলচর মপুং ফানা মুথৎপা ঙমগনি।

# ‘পি এমনা অমিত শাহগী মচানুপাগী মতাংদা থিগৎকদবনি’



ন্যু দিল্লি, ওক্টোবর ০৮ (এজেন্সী):
বি জে পিগী প্রসিদেন্ট অমিত শাহগী মচানুপানা চলাইবা কম্পেনি অমনা শুপ্নগী চহী ১গী মনুংদা শেল পায়খৎলকপগী চাং ১৬,০০০ লক হেনগৎলকপগী মতাংদা প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা থিগৎকদবনি হায়না কোংগ্রেস অমসুং আম আদ্মী পার্টিনা ফোঙদোকখ্রে।

এ আই সী সীগী হেদক্বার্টরসতা পাঙথোকখিবা পাউগী মীফম অমদা কোংগ্রেসকী সিনিয়র লীদর কপিল সিবালনা হায়খি, সেন্টরদা পায়বা লৈঙাক শীনখ্রবা মতুংদা মীওই খরনা অতেনবা মতমগী মনুংদা শেল পায়বগী খঙৱাং ৱাংখৎলকপা থেংনখি। অমিত শাহগী মচানুপানা চলাইবা কম্পেনি কুমজা ২০১৪গী মতুং তারকপদা য়াম্না ঙক্লিংঙাই ওইবা মওংদা কা হেন্না শেল তানশিনখিবগী থৌওং মপুং ফানা থিগৎফম থোকই।

মহাক্না হায়খি, কুমজা ২০১৩গী মার্চ অমসুং কুমজা ২০১৪গী মার্চতা টেম্পল ইন্টরপ্রাইজ প্রাইভেট লিমিটেদ কৌবা অমিত শাহগী মচানুপানা চলাইবা কম্পেনিনা মথংশিংনা লুপা ৬,২৩০ অমসুং লুপা ১,৭২৪ মাঙখি। অদুবু বি জে পিনা লূচিংবা এন দি লৈঙাক লাকখ্রবা মতুংদা কম্পেনি অসিনা কুমজা ২০১৪-১৫দগী শেন্দোং চাউনা ফংবা হৌখি।

হীরম অসিগী মতাংদা প্রাইম মিনিষ্টরনা মীয়ামগী চিংনবা কোকহন্নবগীদমক সী বি আইদা মপুং ফানা থিগৎহনবা মথৌ তাই হায়না কোংগ্রেস লূচিংবা অসিনা মখা তানা ফোঙদোকখি।

অমরোমদা, কোংগ্রেসনা বি জে পিগী প্রসিদেন্ট অমিত শাহগী মচানুপাদা শীরক্লিবা মরাল অসি য়ুম্ফম য়াওদবনি হায়না য়ুনিয়ন মিনিষ্টর পিয়ুস গোয়লনা ফোঙদোকখ্রে।

মহাক্না হায়খি, বি জে পিগী প্রসিদেন্টপু মিংচৎ থীহন্নবগী পান্দমদা কোংগ্রেসনা কনাগুম্বা মীওই খরগা লৌতুনদুনা য়ুম্ফম য়াওদবা মরাল শীরকপা লাইবক থীবনি। বি জে পিগী প্রসিদেন্টপু মিংচৎ থীহল্লকপগীদমক অমিত শাহগী মচানুপা অজয় শাহনা ক্রিমিনেল দিফেমেসন কেস অমা দি ৱায়র পাউচেগী মপু অমদি এদিটরগী মথক্তা ফাইল তৌরগনি।

অহমেদবাদ কোর্টতা লুপা ক্রোর ১০০গী দিফেমেসন কেস ফাইল তৌখিবগা লোয়ননা কোংগ্রেসকী লূচিংবা কপিল সিবালগী মথক্তা ক্রিমিনেল দিফেমেসনগী প্রোসিক্যুসন চথগদবনি হায়না অজয় শাহনা ফোঙদোকখি।

গোয়লনা হায়খি, অজয় শাহগী কম্পেনি লোনা য়াবা মওংদা থবক তৌবগা লোয়ননা ট্রান্সজেক্সন খূদিংমক হৌনবী মতুং ইন্না বেঙ্ককী খুথাংদা তৌই।

টেম্পল ইন্টরপ্রাইজেস প্রাইভেট লিমিটেদ কৌবা অজয় শাহগী কম্পেনিনা মরম চাদবা মওংদা য়াল্লবা শেনফম অমা লোন ওইনা লৌখি হায়বগী মতাংদা গোয়লনা হায়খি, লোগী মতুং ইন্না তঙাইফদবা মচাক-মথুম পূম্নমক পীশিল্লবা মতুংদা লোন লৌখিবনি।

# ইন্দিয়াগী মতিক ময়াই হেনগৎলকপনা দোক্লামগী ৱাথোক লোইশিলহনবা ঙমখিবনি : রাজনাথ সিংহ



ন্যু দিল্লি, ওক্টোবর ০৮ (এজেন্সী):
মালেমদা ইন্দিয়ানা মতিক ময়াই লৈবা লৈবাক অমা ওইরকপনা দোক্লামদা চাইনাগা মুক্নবগী থৌওং অরাইবা মওংদা লোইশিলহনবা ঙমখিবনি হায়না য়ুনিয়ন হোম মিনিষ্টর রাজনাথ সিংহনা ফোঙদোকখ্রে।

বেঙ্গলুরুগী পেলেস গ্রাউন্দদা পাঙথোকখিবা মীয়ামগী রেল্লি অমদা ৱা ঙাঙখিবদা মহাক্না হায়খি, নুমিৎ ৭১ ঙমখৈদা মুক্নদুনা লাকখিবা থৌওং অমা ইন্দিয়া অমসুং চাইনানা মপুং ফানা লোইশিলহনবা ঙমখি।

সিক্কিম-ভুটান-টিবেটকী লোন্নবা মফম অমদা চাইনানা লম্বী শেম্বগী থৌরাং লৌখৎলকপদগী য়ুম্লোন্নবা লৈবাক অনী শাংলবা নুমিৎ ৭১ মুক্নদুনা লাকখিবনি। জুন থাগী ময়াই চল্লকপদগী নাকল অনী মুক্নদুনা লাকখ্রবা মতুংদা ওগষ্ট থা লোইশিল্লমদাইদা নাকল অনীমক্না লান্মী লৌথোক্লখিবদগী ৱাথোক লোইশিনখি।

অমরোমদা, দিফেন্স মিনিষ্টর নির্মালা সিতারমননা নোংথক্তগী দোক্লাম-নাথুলাগী ফীভম য়েংশিনখিবগা লোয়ননা ইন্দিয়া অমদি চাইনাগী মায়কৈদা ওইরক্লিবা ফীভম কুপ্না য়েংশিনখ্রে।

আর্মিগী সোর্ছ অমনা হায়খি, দিফেন্স মিনিষ্টর ওইরবা মতুংদা সিতারমননা অহানবা ওইনা ঙমখৈগী ফীভম য়েংশিনখিবনি। নুমিৎ খরনিগী মমাঙদা আর্মি কম্মান্দরশিংগী মীফম অমা ন্যু দিল্লিদা পাঙথোক্তুনা চাইনাগা লোন্নবা ঙমখৈদা ওইরক্লিবা ফীভমগী মতাংদা কুপ্না খন্নখি।

জুন ১৬তা পিপলস লিবরেসন আর্মি (পি এল এ)না ভুটানগীনি হায়বা মফম অমদা লম্বী শেম্বগী থৌরাং লৌখৎলকপদগী শাংলবা নুমিৎ ৭১ রোম ইন্দিয়া অমসুং চাইনানা দোক্লামগী মতাংদা মুক্নদুনা লাকখিবনি।

চাইনাগী পি এল এনা লাইন ওফ একচুয়েল কন্ট্রোল (এল এ সী)গী মফম কয়াদা তোয়না ঙমখৈ লানশিনবগী থৌওং চথরকপা য়াই হায়না চাইনিজ মিলিটরিগী লাল্লোং মুন্না খঙবা মীওইশিংনা ফোঙদোকপা লৈখ্রে। পি এল এনা চাইনা-ভুতান-ইন্দিয়াগী লোন্নবা ঙমখৈদা চঙশিন্দুনা ইনফ্রাষ্ট্রকচর কয়া শেমগৎনবা হোৎনবদা মায় পাকখিদবা মরম্না উত্তরখন্দ, হিমাচল প্রদেশ অমদি লদাখনচিংবা মফমশিংদা ঙমখৈ লানশিল্লকপা য়াই হায়রি।

দোক্লামদা য়ুম্লোন্নবা লৈবাক অনীগী লান্মীশিং মুক্নরিঙৈগী চৈরক্তা উত্তরখন্দ অমদি হিমাচল প্রদেশতা চাইনাগী লান্মী চঙলকপগী থৌদোক লৈখ্রবনি। দোক্লামদা পি এল এ চঙলক্ত্রিঙৈ মমাঙদসু চাইনানা উত্তরখন্দগী নোংথক লম্বী লান্না ফাইটর জেট পাইশিল্লকপা লৈখ্রবনি।

# শ্রীলঙ্কন নেভিনা টামিল নাদুগী ঙামী ১০ ফাজিনখ্রে



রামেশ্বরম, ওক্টোবর ০৮ (এজেন্সী):
নেদুন্তিভু মনাক্তা ঙা ফারম্বা টামিল নাদুগী ঙামী ১০ শ্রীলঙ্কন নেভিনা ঙসি ফাজিনখ্রে। শ্রীলঙ্কাগী ঈশিংগী লমখৈ মনাক নক্না ঙা ফারমই হায়বগীদমক ফাখ্রবা নাগাপতিনম দিষ্ট্রিক্টকী ঙামীশিং অদু ঙা ফাবদা শীজিন্নবা হিগা কোন্ননা করাইনগরদা পুখ্রে হায়না করাইকালগী দেপ্যুটি দিরেক্টর ওফ ফিসরিজ পেরুমা পিলাইনা ফোঙদোকখি।

হৌখিবা নুমিৎ ১০নি রোম ঙা ফাদুনা লৈরকখিবা ঙামীশিং অদুগী মায়োক্তা শ্রীলঙ্কাগী ঙামী খরনা ৱাকৎলুবদগী শ্রীলঙ্কন নেভিনা মখোয়বু ফারগা পুখিবনি হায়রি। ওক্টোবর ৫দসু নেদুন্তিভুদা ঙা ফারম্বা টামিল নাদুগী ঙামী মরি শ্রীলঙ্কন নেভিনা ফাবা লৈখ্রবনি।

অমরোমদা, শ্রীলঙ্কানা ঙামী অমদি ঙা ফাবদা শীজিন্নবা হি ফাজিনখিবগী থৌওং অদুবু য়ানিংদবা ফোঙদোকপা ওইনা পুদুকোদাই দিষ্ট্রিক্টকী ঙামীশিংনা মতম কক্তবা খোঙজং চঙশিনবা হৌখি।

ষ্টেটকী চীফ মিনিষ্টর ঈ কে পলানিস্বামিনসু হীরম অসিগী মতাংদা অখন্নবা মীৎয়েং চঙবীয়ু হায়না প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিদা অইবা চেরোল অমা থাখি।

মমাঙদা শ্রীলঙ্কানা ফাজিনখিবা টামিল নাদুগী ঙামী ২০ অমসুং ঙা ফাবদা শীজিন্নবা হি ১৩৭ খুদক্তা থাদোকহন্নবা হোৎনবদা প্রাইম মিনিষ্টরনা অখন্নবা মীৎয়েং চঙগদবনি হায়না পলানিস্বামিনা ফোঙদোকখি।

হৌখিবা জুন ১০দা শ্রীলঙ্কন নেভিনা টামিল নাদুগী ঙামীশিংদা তোয়না এটেক চথবগী মতাংদা ইন্টরনেসনল কোর্ট ওফ জষ্টিস (আই সী জে)না ৱায়েনবা মথৌ তাই হায়না মদ্রাজ হায় কোর্টতা পব্লিক ইন্টরেষ্ট লিটিগেসন (পি আই এল) অমা ফাইল তৌরকখ্রবনি।

এন জি ও অমনা থাঙ্গৎলকখিবা পি আই এল অসিগী মতাংদা চীফ জষ্টিস ইন্দিরা বেনর্জি অমসুং জষ্টিস এম সুন্দর য়াওবা হায় কোর্টকী বেঞ্চ অমনা হীরম অসিগী মতাংদা মতিক চাবা পাউখুম পীরক্লবা এসিষ্টেন্ট সোলিসিটর জেনরেল এস শ্রীনিভাশন অমসুং ষ্টেট গভর্ণমেন্টকী প্লিদর এম কে সুব্রামনিয়নদা খঙহনখি।

ফিসরমেন ক্যের কৌবা এন জি ও অমগী মায়কৈদা লেপখিবা এদভোকেট পিটর রোয়ানননা হায়খি, ঙাইহাক লৈতনা টামিল ঙামীশিংনা ওৎ-নৈবগী থৌওং অসি আই সী জেদা ৱায়েলহন্নবা হায় কোর্টনা মতিক চাবা থৌরাং লৌখৎফম থোকই। শাংলবা চহী ৩৪ রোম শ্রীলঙ্কন নেভিনা কুমজা ১৯৭৪গী এগ্রীমেন্ট ঈকায় খুম্নদবা মওংদা ইন্দিয়াগী ঙমখৈ লানশিনবগী থৌওং তোয়না চথরকখি হায়নসু পিটর রোয়াননা মরাল শীখি।

মে ০২দা ঈশিংগী ঙমখৈ লানশিল্লগা ঙা ফারমই হায়বগীদমক টামিল নাদুগী ঙামী মঙা শ্রীলঙ্কন নেভিনা ফাজিনবা লৈখ্রবনি। টঙ্গজিমাদামগী ঙামী মঙানা কচাতিবুদা ঙা ফারিঙৈদা শ্রীলঙ্কন নেভিগী কাঙবু অমা লাক্তুনা ফাজিনখিবগা লোয়ননা ঙা ফাবদা শীজিন্নবা হি অমদি অতৈ পোৎলম কয়াসু পুখিবনি। হৌখিবা মার্চ ২৬তসু ঈশিংগী ঙমখৈ লানশিন্দুনা ঙা ফারম্মী হায়বগীদমক ইন্দিয়াগী ঙামী ১২ শ্রীলঙ্কন নেভিনা ফাজিনবা লৈখ্রবনি।

# ‘সোনিয়া, রাহুল খক্তনা কোংগ্রেস প্রসিদেন্ট ওইবা ঙমগনি’



কসোলি, ওক্টোবর ০৮ (এজেন্সী):
কোংগ্রেসকী সিনিয়র লীদর মণি শঙ্কর আয়রনা হায়খ্রে মদুদি, সোনিয়া গান্ধী অমসুং রাহুল গান্ধী নত্তনা পার্টিগী প্রসিদেন্ট ওইগদবা মতিক চাবা মীওই অমত্তা লৈতে।

রাহুলনা পার্টিগী প্রসিদেন্ট ওইনবা থৌরাং তৌরে হায়না ফোঙদোক-খিবগী মতাংদা মহাক্না হায়খি, কোংগ্রেস প্রসিদেন্ট ওইনবগীদমক সোনিয়া অমদি রাহুল নত্তনা অতোপ্পা মীওই অমত্তা চোংথোরক্লোই।

মীওই অনীনা প্রসিদেন্টকী ফম পায়নবা হোৎনরকপা তারবদি ওর্গনাইজেসনগী ওইবা মীখল পাঙথোকপগী তঙাইফদবা লৈ। অদুবু পার্টি অসিগী পুৱারীদা প্রসিদেন্ট ফম মুন্নবদগী মীখল পাঙথোকপা য়াওখিদ্রি। হন্দকসু মমা-মচাগী মরক্তা য়ানবা পুরক্তুনা পার্টি প্রসিদেন্ট খনবগী থবক থৌরমদা অপনবা অমত্তা লৈরোই হায়না মহাক্না মখা তানা ফোঙদোকখি।

পাউমীশিংগা উনখিবা অমদা কোংগ্রেসকী স্পোক্সপার্সন রন্দিপ সুর্জেৱালানা হায়খি, হৌজিক ওইরিবা ফীভম অসিদা পার্টিগী লূচিংবা অমসুং ৱার্কর অয়াম্বনা রাহুলবু কোংগ্রেস প্রসিদেন্ট ওইহন্নিংবগী অপাম্বা ফোঙদোরক্লে। মথংগী জেনরেল ইলেক্সন মমাঙদা রাহুলনা পার্টিগী অনৌবা প্রসিদেন্ট ওইরগনি হায়বগী থাজবা লৈ।

দিৱালি লোইরগা ওর্গনাইজেসনগী মীখল পাঙথোক্লবা মতুংদা রাহুল গান্ধীনা কোংগ্রেস প্রসিদেন্ট ওইরবা য়াই হায়না পার্টিগী লূচিংবা অমনা মমাঙদা ফোঙদোকখিবনি।

কোংগ্রেসকী ওর্গনাই-জেসন মনুংগী ওইবা মীখল পাঙথোক্লবা থৌরাং লৌখৎলি। থেংলবদা দিৱালি লোইরবা মতুংদা অনৌবা প্রসিদেন্ট অমা খল্লবা য়াই। পার্টিগী মীওই অয়াম্বনা রাহুল গান্ধীবু কোংগ্রেসকী অনৌবা প্রসিদেন্ট ওইহনবা পাম্লে হায়না সচিন পাইলোটনা ফোঙদোকখি।

হীরম কয়াদা পার্টিগী ফীভম ফগৎহন্নবা হোৎনদুনা লাকখিবা গান্ধীবু অথুবা মতমদা পার্টি প্রসিদেন্ট ওইহনবা হায়বসি কোংগ্রেস লীদর অয়াম্বগী অপাম্বনি।

সচিন পাইলোটনা হায়খি, কোংগ্রেস পার্টিগী মরুওইবা মীওই অমা ওইবা তারবসু এক্টিব পোলিটিক্সতা চঙলকপা নৎত্রগা চঙলক্তবা হায়বদু প্রিয়াঙ্কা গান্ধী মশানা লৌজগদবা ফিরেপনি।

# পোষ্ট ওফিসকী দিপোজিট, পি পি এফ, এন এস সী, কে ভী পিদা আধার য়াওদবা য়াররোই

ন্যু দিল্লি, ওক্টোবর ০৮ (এজেন্সী):
পার্সনেল প্রোভিদেন্ট ফন্দ (পি পি এফ), নেসনল সেভিং সার্টিফিকেট (এন এস সী) স্কিম অমসুং কিষাণ বিকাশ পত্রা (কে ভী পি)নচিংবা পোষ্ট ওফিসকী দিপোজিট খূদিংমক্তা দিজিট ১২গী য়ুনিক আইদেন্তিফিকেন নম্বর (আধার) য়াওদবা য়ারোইদৌরি।

মমাঙদা গভর্ণমেন্টনা বেঙ্ক, মোবাইল অমদি ৱেলফ্যের স্কিম পূম্নমক আধারগা লিঙ্ক তৌহন্নবা ৱাফম ফোঙদোকপা লৈখ্রবনি। খ্বাইদগী ইকোন কোনবা ওইনা লৌখৎলক্লিবা থৌরাং অসিগী মখাদা কনাগুম্বা মীওই অমনা পোষ্ট ওফিসতা দিপোজিট তৌখিবা শেনফম পূম্নমক ইনকম টেক্স দিপার্টমেন্টকী মীৎয়েং চঙহল্লোই হায়রবদি দিসেম্বর ৩১গী মমাঙদা আধারগা লিঙ্ক তৌহনগদবনি হায়রি।

মিনিষ্ট্রি ওফ ফাইনান্সনা থোকখিবা তোঙান তোঙানবা গেজেট নোটিফিকেসন মরিনা হায়খি মদুদি, পোষ্ট ওফিসকী সেভিং স্কিম মাঙজৌননা য়াওখ্রবা মীওইশিং আধার নম্বর পীশিনগদবনি। সেপ্টেম্বর ২৬তা থোকখিবা নোটিফিকেসন অমনা হায়খি মদুদি, কনাগুম্বা মীওই অমনা লৈঙাক্কী ৱেলফ্যের স্কিমশিংগী খুদোংচাবা লৌগে হায়রবদি আধার নম্বর পীশিনগদবনি। হান্না পীশিলহৌদবা মীওইশিংনা লাক্কদৌরিবা দিসেম্বর ৩১গী মমাঙদা দিজিট ১২ য়াওবা য়ু আই দি নম্বর পীশিন্দবা তারবদি মখা তানা ৱেলফ্যের স্কিমশিংগী খুদোংচাবা ফংলরোই।

আধার সিষ্টেমগী মতাংদা প্রাইভেসি অমসুং সিক্যুরিটিগা মরী লৈননা সুপ্রিম কোর্টতা ৱাকৎলকখ্রবা মতুংদা গভর্ণমেন্টনা আধার এনরোলমেন্ট সেন্টর ৫০,০০০ য়েংশিন্নবা ফিরেপ লৌবা লৈখ্রবনি। ইন্দিপেন্দেন্ট ওদিটর অহুম্না এনরোলমেন্ট সেন্টরশিংদা চত্তুনা আধার নম্বর পীবদা য়ু আই দি এ আইগী গাইদ লাইন ঙাকপা অমসুং শীজিন্নরিবা হার্দৱ্যের অমদি সোফ্ট-ৱ্যেরনচিংবা কদাই ফাওবা থাজনিংঙাই ওইবগে হায়বদু য়েংশিল্লগনি।

রিপোর্ট অমনা হায়খি, এনরোলমেন্ট সেন্টরদা লৈরম্বা ষ্টাফ অমদি ইক্বিপমেন্ট পূম্নমক্কী ফোটোগ্রাফ নম্বগা লোয়ননা মিনিট ১০ রোম আধার পীবগী মওং মতৌ ভীদিও রেকোর্দিং তৌগনি। অহানবা চহীদা ওদিটর অহুম্না এনরোলমেন্ট সেন্টর ১০,০০০দা চত্তুনা ফীভম য়েংশিনগনি।

হীরম অসিগী মতাংদা লো এন্দ ইনফোর্মেসন টেক্নোলোজি মিনিষ্টর রবি শঙ্কর প্রসাদনা এজেন্সীদা হায়খি মদুদি, গভর্ণমেন্টনা ওদিটরশিং খন্দুনা লৈবাক্কী মফম শীনবা থুংনা আধারগী সিষ্টেম য়েংশিলহন্নবা ফিরেপ লৌরে। য়ু আই দি এ আইনা এনরোলমেন্ট এজেন্সীশিং খন্দুনা মীয়ামদা আধার নম্বর পীবগী থৌওং চথরিবা অসি কদাই ফাওবা থাজনিংঙাই ওইবগে হায়বা ৱাকৎ কয়া লাকখ্রবা মতুংদা সেন্ট্রেল গভর্ণমেন্টনা অনৌবা থৌরাং অসি লৌখৎলকপনি।

# ‘মীখল পূন্না পাঙথোক্লবা পার্টিশিং য়ানবা পুরকপা মথৌ তাই’

ন্যু দিল্লি, ওক্তোবর ০৮(এজেন্সী):
লোক সভা অমদি ষ্টেট এসেমব্লিশিংগী মীখল পূন্না পাঙথোকপগী মতাংদা রেকগ্নাইজ তৌরবা নেসনল অমদি রিজনেল পার্টি পূম্নমক্কী অয়াবা হান্না লৌবা মথৌ তাই হায়না ইলেক্সন কম্মিসননা ফোঙদোকখ্রে।

কম্মিসনগী ওফিসল অমনা হায়খি মদুদি, পোলিটিকেল পার্টি পূম্নমক ফম্মিন্নরগা হীরম অসিগী মতাংদা মোত অমত্তা ওইনা য়ানবা পুরক্কদবনি হায়বা ৱাফম গভর্ণমেন্টতা মাঙজৌননা খঙহনবা লৈখ্রে। থৌরাং অসি লৌখৎপদা কন্সটিট্যুসন এমেন্দ তৌবগী তঙাইফদবা লৈ। ইন্দিয়ন কন্সটিট্যুসনগী আর্টিকল ৮৩(২) অমসুং ১৭২(১)গী মতুংইন্না লোক সভা অমদি ষ্টেট এসেমব্লিগী টার্ম চহী ৫ দগী হেন্না শাংদোকপা য়াদে। আর্টিকল ৩৫৬কী মতুংইন্না লো এন্দ ওর্দর ফেল ওইরকপা মতমদা য়ুনিয়ন গভর্ণমেন্টনা ষ্টেট গভর্ণমেন্ট অমবু দিসমিস তৌবা ঙম্মী।

ইলেক্সন কম্মিস্নর ও পি রাৱটনা মথং চহীগী সেপ্টেম্বর মতুং তারকপদা এসেমব্লি অমদি লোক সভাগী মীখল পূন্না পাঙথোক্তুনা মীখল পাঙথোকপদা চঙলিবা লুপা ক্রোর চা কয়ামরুম কনবা ঙম্লগনি হায়না ফোঙদোকপা লৈখ্রবনি। অদুমওইনমক থৌরাং অসি লৌখৎনবগীদমক অনৌবা ইলেক্ট্রোনিক ভোটিং মেছিন অমসুং পেপর ট্রেল মেছিন লাখ ৫০ রোম থৌরাং তৌবা মথৌ তারি। মদুগীসু মথক্তা কন্সটিট্যুসন এমেন্দ তৌবগী তঙাইফদবসু লৈরি।

ভোপালদা পাউমীশিংগা উনখিবা অমদা রাৱটনা হায়খি মদুদি, গভর্ণমেন্টনা অহেনবা ঈ ভি এম অমসুং ভোটর ভেরিফাইদ পেপর ওদিট ট্রেল (ভি ভি পেট) মেছিন লৈনবগীদমক শেল কায়থোরক্লে। মরম অদুনা মথং চহীগী সেপ্টেম্বর মতুং তারকপদা লোক সভা অমদি ষ্টেট এসেমব্লিশিংগী মীখল পূন্না পাঙথোকপা ঙম্লগনি।

মমাঙদা কম্মিসননা থৌরাং অসি লৌখৎপদা চাউরাক্না লুপা ক্রোর ৯২৮৪.১৫ চঙগনি হায়না ফোঙদোকপা লৈখ্রবনি। মদুগীসু মথক্তা ঈ ভি এম অমনা শীজিন্নবা য়ারিবসি চহী ১৫ খক্তনি। করিগুম্বা লোক সভা অমসুং এসেমব্লি মীখল পূন্না পাঙথোকপা তারবদি ঈ ভি এম লৈবদা লুপা ক্রোর ৪৫২০ চঙগনি।

ইলেক্সন কম্মিসনগী ওফিসলনা হায়খি, লোজিষ্টিক ওইবা শীংনবা পূম্নমক মতম চানা লাকশিনবা ঙমগনি। অদুবু মতাং অসিদা খ্বাইদগী মথৌ তারিবসি পোলিটিকেল পার্টিশিং মোত অমত্তা ওইনা য়ানবা পুরকপদুনি। হীরম অসিদা পোলিটিকেল পার্টি অয়াম্বা মোত মান্নবা ঙমদ্রি। তোঙান-তোঙানবা পোলিটিকেল পার্টিশিংনা পার্লিয়ামেন্টরি কম্মিটিদা পীশিনখিবা রেকমেন্দেসন মতুংইন্না মীখল পূন্না পাঙথোকপগী থৌরাং অসি লৌখৎত্রিঙৈদা মমুৎ তানা খন্নহৌবা মথৌ তাই হায়রি।

ভারতিয়া জনতা পার্টিগী লূচিংবা সেন্টরগী এন দি এ গভর্ণমেন্টনা পার্লিয়ামেন্টরি অমসুং এসেমব্লি ইলেক্সন পূন্না পাঙথোকহন্নবা থৌরাং লৌখৎলকপা তারবসু মথংগী পার্লিয়ামেন্টরি ইলেক্সন পাঙথোক্কদবা মতম কুমজা ২০১৯ নি। ষ্টেট ৮গী এসেমব্লি ইলেক্সননা কুমজা ২০১৮ গী সেপ্টেম্বরদা পাঙথোক্কদবনি।

মিজোরাম, মধ্য প্রদেশ, ছটিশগর অমসুং রাজস্থানগী মীখল কুমজা ২০১৮ লোইশিল্লকপা অমদি কুমজা ২০১৯ হৌগৎলকপদা পাঙথোক্কদবনি। লেমহৌরিবা ষ্টেট মরিগীনা লোক সভা মীখল মতমদা পূন্না পাঙথোক্কদবনি।

ইলেক্সন কম্মিস্নর রাৱটনা হায়খি মদুদি, থৌরাং তৌনবগীদমক কম্মিসনদা মতম খরা শাংনা পীবা তারবদি লোক সভা অমসুং এসেমব্লিগী মীখল মতম অমত্তদা পূন্না পাঙথোকপা ঙমগনি। খ্বাইদগী হেন্না মরু ওইরিবা ৱাফমদি অহেনবা ঈ ভি এম অমসুং ভি ভি পেট মেছিন লাখ ২৪ লৈবগী মতাংদনি।